# ঐখোয় লৈঙাক পায়দবা য়াদে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঐখোয় লৈঙাক পায়দবা য়াদে হায়দুনা তৌনীংবা মওংদা আইনগী চৎন-কাঙলোনবু থুগাইদুনা শেমখিবা লৈঙাক ওইবনা ঙসি ইরমদম কংলৈপাক্তা পাল্লিবা লৈঙাক অসি তুনীং-তুনীং, কায়গে-কায়গে তৌনা লাকখিবনি। লৈঙাক অসিবু হিংনবনি, শিবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা আইনগী ওইবা চৎন-কাঙলোন কয়াগী মায়োক্তা অরানবা, আইন্না অমসুং মীয়াম্না য়াদবা পান্বেশিং শীজিন্নদুনা ঙসি ফাওবদি হিংদুনা লাক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসি শেম্বদা মণিপুর ষ্টেট ইলেক্সন্দা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না কারকখিবা পার্টি কোংগ্রেসপুনা (এম এল এ ৩ ৱাৎপা) লৈঙাক শেম্নবা কৌখৎত্রগা য়াম্না ৱাৎপা (এম এল এ ১০) বি জে পিবুনা লৈঙাক শেম্মু লাকও হায়না কৌখৎখিবা নুমিৎ অদুদগী অদুম হৌখ্রবনি অশোয়বসি। এম এল এ মশীং শুদবনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা চুংশিন্নদুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি শেমখিবনি। য়াই মসি ষ্টেট খুদিংমক্তা, ইন্দিয়াগী সেন্ট্রেল লৈঙাক্তা তৌনরিবনি। অদুবু লুরিবদি লৈঙাক ঙাকমিন্নদুনা লমদম অদুবু নৎত্রগা লৈবাক অদুবু চাওখৎনবা হোৎনমিন্নরদি ফবা। অদুদি নত্তদুনা মেজোরিটি ওইনা পাৱর পায়রিবা পার্টি অদুনা অরানবা পান্বে শীজিন্নদুনা লৈঙাক্কী চুপলি পায়নবা হোৎনবদা লমদম অদুগী চাওখৎ খোঙথাংগী ৱাখল খন্দুনা মথৌ তৌবা তোকপা অদুনি।

মসিমক ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাকসিদা থোক্লে হায়বদা থোইদোক্লা লানগনি খন্দে ঐহাক্কী ৱাখল্লোনদদি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হেক লৈঙাক পায়বা হৌরকপদগী বি জে পিদা কারকখিবা এম এল এশিং অদুবু য়ারিবমখৈ ফম অমমম পীননবা হোৎনবদা হান্না শুকলৈ লৈরমদবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ফম ময়াম অমা শেমজিন্দুনা হাপচিনখিবা। ফম পংহাপ্তা হাপচিনবা অসি শেল পীদ্রদি থোইদোক্লা কায়রমদবসু য়াই অদুবু লুরিবদি অনৌবা ফমশিং অসি পুবগীদমক অচৌবা শেনফম কায়থোক্কদবা অদুনি। লোয়ননা তোঙানবা পোলিটিকেল পাৱর অমা বি জে পি লৈঙাক্তা পীশিল্লকপা য়াবগী মওংসু লৈরম্বা য়াই। অমবু ওইরে অমবু ওইরে হাপচিল্লিবা থৌওং অদু লাল্লি হায়দুনা লৌথোকহনখিবনি মমৈথংদদি। মদু য়াম্না লানবা অমদি চোপনীংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ওইখিবনি। মদুগী মথংদা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক অসিগী মীহুৎ হায়বদি বি জে পিগী এম পি খনগৎনবা হোৎনবদা ওনরেবল সী এম বিরেনগী হৈঙাং কন্সটিট্যুয়েন্সিমক্তদা ইলেক্সন বুথশিংদা সী সী টি ভি কেমেরা খিল্লমদবগী ৱাথোক ওইখিবনি। মসিতা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মফমদা লৈবা ইলেক্সন বুথ কয়া অমদসু ভোট অমুক হনখিবনি চুম্না ভোট থাদখিদবগী।

মদুগী মতুংদা রাজ্য সভাগী ইলেক্সন্দসু পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী ওনরেবল স্পিকরনা চোঙথোক-চোঙশিন নৎত্রগা এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌবগী চয়েৎননা লৈখিবা এম এল এশিংবু য়াম্না মীচং-মীখাই নাইবা মওংদা বি জে পি লৈঙাক্কী মীরেপ্পু শৌগৎকদবা এম এল এ খরবুনা ভোট থাদবা য়াহনখিবা অদুগা বি জে পি লৈঙাক্লা থাগৎপা মীরেপ্পু শৌগৎলোইদবা, হায়বদি অতোপ্পা কোংগ্রেসকুম্বা পার্টিনা থাগৎলকপা মীরেপ্তা শৌগৎখিগদবা এম এল এশিংবুনা ভোট থাদবা য়াহনখিদবা মীয়াম্না খঙনা-উনখ্রবা থৌওংনি। অসুম্না পাল্লিবা লৈঙাক অসিগা অতোপ্পা ওপোজিসন্দা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা লৈঙাক পায়নবা হোৎনবদা আইন্না য়াদবা থৌওং কয়া শীজিন্নদুনা বি জে পি লৈঙাক অসি লাকখিবনি।

অদুবু য়াম্না লুরিবদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ মিনিষ্টর ফম পায়বগী মতাংদা য়ানরক্তবা অদুনি। ঐখোয়না সুম তাবদা বি জে পি মনুংদা লৈঙাক্কী ফম পায়বসি চহী অনীমখায় ফারকপা অদুৱাইদা ফম শিন্নসি হায়বগী য়ানখিবা লৈ হায়না তাখি। কয়া য়াম্না চুম্বনো হায়বদুমদি হায়বা ঙমদ্রে মনুংগী ৱা ওইবনা। অদুবু মশা-মশা য়াননা ফম শিন্নবগী নিংথিজবা খোঙথাং অদু লৈঙাক পায়রিবা সী এমগী মায়কৈদগী লাকখিদবনা লৈঙাক পায়রিবা সী এমগী মায়োক্তা লৈবা বি জে পিগী এম এল এশিং গুৱাহাটি অমদি দিল্লিদা তোইনা চৎতুনা, কেম্প তৌদুনা ইন্দিয়াগী সেন্টর লৈঙাক্তা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিং উন্নদুনা ফম শিন্ননবা হোৎনখিবনি। মতৌ অসুম্না অসুম লাকপনা লৈঙাক পুমিন্নবা পার্টিগী মিনিষ্টর খরসু পাল্লিবা সী এমবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চোঙথোরকখি অমদি কোংগ্রেসকী কেম্পতা চঙশিল্লুই নোংমখক। নোংঙাল্লগা অমুক নেসনল পার্টিনা হায়রকই হায়দুনা পাল্লিবা ইরমদমগী বি জে পি লৈঙাক্তা অমুক য়াওমিন্নখি। মদুগী মতুংদদি ঙরাং-নহান্তা মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌখিবা অসিনি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মনুংদা লৈরিবা ফম পায়রবা মিনিষ্টরশিংসু, ফম পায়দবা মিনিষ্টরশিংসু চপ মান্ননা লৈবাক্কী ইস্যু কয়া অমা লৈরিবা অসিদা মায় ওনশিনবগী মহুত্তা মখোয় মখোয়গী ফম মুন্নদুনা লৈরে হায়বা অসিনি। ওনরেবল সী এমসু মদু মঙাই। মহাক্কী ফম কন্নবা হোৎনবদা মহাকপুদি শৌগৎপীবা অদুগা লৈঙাক পায়দবা এক্সপরিয়েন্স লৈতবা, এম এল এ ফাওবা ওইদ্রবা মিনিষ্টরশিং য়াওরি। অনৌবা মিনিষ্টর অমদি শকসু য়াম্না তাখৎনা মহাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী থবক্তা পংহাপ্তা হাপ্লগে কায়না হায়খিবা থেংনৈ। থবক হাপ্লসিবু মতিক চাবা য়েংদনা মিনিষ্টরশিংনা মাগী-মাগী মীওইশিং হেক্তা হাপচিনবা য়াবগী মওংদা ঙাঙখি। মনুংদা তৌবদি তৌনৈ, ঐখোয়সু খঙই। অদুবু মীয়াম মাঙদা হেক্তা লমদম অসিগী অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সি কয়াদা লৈরিবা মীওইশিং অসিবু করিমত্তা উশিত্তনা অসুম্না হেক্তা হায়বদি য়াম্না লৈবাক মচা তাদে খল্লি। অদুবু হৌজিক্তি মিনিষ্টর ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌগদৌরি। ময়াম য়েংবীরো করি থোক্লগবা। হন্দক্কী সী এমগী মিনিষ্টর খনগৎপসি মীয়াম্না য়াম্না পেন্নদে হায়বসিমদি ঐখোয়না টি ভিদা, সোসল মীদিয়াদগী য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক অসিবু কন্নবা হায়গদৌরিব্রা, ফম পায়নবা হায়গদৌরিব্রা য়ারিবমখৈ পাল্লিবা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপা কোংগ্রেসতগী চোঙশিল্লকপা বি জে পি লৈঙাকসিদা ফম ফংনবা চোঙশিল্লকপা এম এল এশিংনা ভোট কাননবা হায়দুনা কোভিদ-১৯গী অসুক শাথীরবা ফীভমসিদা নংহৌররোই মতাগুম ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে মীচম মীয়াম্না অসুক কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক-ফোঙদোক্লা। মসিনা তাকপদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিসু ফমতা পামজবা চোঙথোক-চোঙশিন তৌরিবা এম এল এশিং অসিবু কাহন্দুনা লৈঙাক মখা তানা পায়নবা হোৎনবদা মীচম মীয়ামগী করিসু খন্দে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। কোভিদ-১৯ মরকসিদা ভোট খোমদোক-খোমজিন তৌবদা, শোক্ল-থেংনবদা, মীটিং তৌবদা, ভোট থাদবদা লাইচৎ অসিনা পাক্তক্লনা শন্দোরক্তুনা মশীং য়াম্না শিবা-নাবা য়াওরক্লসু ঐখোয়দি করিসু কায়দে, ঐখোয় মিনিষ্টর ফম পায়রগা লোইরে, লৈঙাক পায়রগা লোইরে হায়বগী মতৌনি মখোয়না তৌরিবসি। সী এস ও অমদি অখঙ অহৈ কয়ানা ভোটসি মতম খরা য়ৈথোকসি হায়দুনা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা পাউচেদা, টি ভিগী দিস্কস্সন্দা অমদি সোসল মীদিয়ানচিংবদা লাউদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। অদুবু ঐখোয়গী সী এমনা তাবীব্রো, তাবীদে, বাই ইলেক্সন অদু পাঙথোক্কদৌরি মফম মরাং খঙদবা মশা-মশাগীতা খনবা এম এল এ খরা খন্নবগীদমক। মখোয় খরা অসি খন্নবা হোৎনবদা সী এমগী ফম কন্নবা হোৎনবদা, পাল্লিবা লৈঙাক অসি কন্নবা হোৎনবদা মীচম মীয়ামদি দুর্গা পুজা তৌবদা কৎপা হামেংগা চপ মান্নরে। ময়ামসু য়েংবীয়ু হন্দক্কী মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী থৌওংসে। মিনিষ্টর শিন্দোকপা নৎত্রগা করিগুম্বা পোৎ অমা শিন্দোকপা হায়বসিমক্তবু শীজিন্নবা য়ারক্ত্রবা নৎত্রগা মল্লবা মতমদতা শিন্দোকনৈ। অদুবু হন্দক্কী মিনিষ্টর শিন্দোকপসিদি এম এল এ ওইদ্রবা মীওই ফাওবা মিনিষ্টর ফম পীশিল্লি অদুগা মীয়াম্না করিসু মখোয়গী মায়োক্তা ঙাঙবসু লৈতবা মিনিষ্টরশিং অদুবুনা লৌথোকই। মদুগী মথক্তা ইন্দিয়াগী অমদি ইরমদমগী লৈঙাক্লা মখৌ পোংনা, চাওথোকচনা লাউদুনা লাক্লিবা 'ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট' হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিগী ওন্ন-তৈনবদা নুপী মিনিষ্টর অমখক য়াওজবদো লৌথোক্লগা নুপা অমা ওইনা হাপচিল্লে। মসিরা পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ইরমদমগী লৈঙাক্লা লাউ-লাউদুনা লাকপগী ৱাহন্থোক। মসিমদি য়াম্না তৌহৈদবা থৌওং অমনি। পাল্লিবা লৈঙাক ফাওবনা নুপী ওইবীবু অসুক উশিত্তনা তৌরবদি মীয়াম্নসু অদুম মতৌ তম্বা তাবনি। অসিগুম্বা নুপানা নুপীবু নমহত্তুনা থমগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিননি ঙসি ইন্দিয়াদা তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া নুপীশিংগী মফমদা থোক্লিবা। অসিগুম্বা নুপীবু হন্থনা য়েংবীবা লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন অসিননি ঙসি ইরমদম কংলৈপাক অসিদসু নুপী ওইবীশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লিবা। পাউচেদা, টি ভিদা পংলাউদা লাউশিন্নবগী ৱানি। পাল্লিবা ইন্দিয়া অমদি ইরমদমগী লৈঙাকসিনা নুপী ওইবীশিংবু ঙাকথোক্লবা করিসু তৌবীদে হায়বদো হন্দক্কী নুপী মিনিষ্টর অমখক মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে।

লোইশিল্লকপদা, হৌজিক মীয়াম্না তৌগদৌবা হায়ববু নাদ-য়েক্তনা পুন্সি মখা তানা লৈবিখিগে হায়রবদি ইলেক্সন তৌবগী ঈৱাংসিদা য়াম্না ৱাখল তৌরগা য়ারগদি য়াওবীরুনু। ভোটতি লাকখিগনি অদুবু লাইচৎ অসিনা পুন্সি লোমখ্রবদি নখোয় নখোয়গী ইমুংখক্তনি ৱাহৌগদবা। মসিদা খল্লকপা এম এল এ খরসিনা অদুক য়াম্না অফবা অহোংবা পুরক্কদবসু লৈতে, মরু ওইনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শৌগৎপা মীরেপশিং অসিনা কারকপা থোক্লবদি। মরমদি মখোয়সি ফমদা, শেলদা মীহৌবা ঙাক্তনি। অনীশুবদা, নুপীজা ওইবীশিংনা য়াম্না চেকশিন্না, ৱাখল তানা লৈবিয়ু। ফিজোল কামনা শেৎপীবগী মহুত্তা নিংথিজবা, লেমজনীংঙাই ওইবা মওংদা ফিজোলশিং শেৎপীয়ু। নুপানা তৌনীংবা তৌগদবনি, নুপানা হায়বা খুদিংমক ইনগদবনি হায়না খনবা ৱাখল্লোন লৈবা খুন্নাই অসিদা নখোয়বু ঙাকথোকপীনবা মীওই ইয়াম য়াম্না লৈতে হায়বসি কাউবীগনু ইরমদমগী নুংশিরবী ইচে, ইচল অমদি ইচাশিংনা। ●

## ষ্টৈটকী পাউ

### ৱাংখেম বীরমঙ্গলদা এৱার্দ পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : ইন্টরনেসনল ট্রান্সলেসন দেগা মরী লৈননা চহী ২/২ লৈরগা সাহিত্য থৌপাং লূপ (সাথৌলূপ)না পীবা থিয়াম ইবোচৌবী নেসনল এৱার্দ ২০২০ ত্রিপুরাগী অগরতালাদা লৈবা শক্লাইরবা অইবা, ক্রিটিক, ট্রান্সলেটর অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট ৱাংখেম বীরমঙ্গলদা পীখ্রে হায়না সাহিত্য থৌপাংলূপকী সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরা অমসুং সাথৌলূপ অনীনা খুৎশম্নদুনা ঙসি অগরতালাগী ধলেশ্বার কল্যানিদা লৈবা বঙ্কা বিহারী মান্দপতা অগরতালা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র ওইরিবা ডা. প্রফুল্লোজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এৱার্দ অসি বীরমঙ্গলদা খুৎশিন্নখি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমা অমসুং সোল অমা য়াওরি।

থৌরম অদুদা ত্রিপুরা পল্লিসরস গিল্ডকী সেক্রেটরি রঘুনাথ সরকার অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট ময়েংবম নিলাকান্তিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। লোয়ননা পরিষদকী ভাইস প্রসিদেন্ট ময়েংবম অভিরামনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা প্রফুল্লোজিৎনা হায়খি, মণিপুরদগী ওর্গনাইজেসন অমনা শকঙবীদুনা ত্রিপুরাগী অইবা অমদা মনা পীরকপসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। ঐখোয়দসু য়াম্না চাউথোকচবা অমা পোকই। এৱার্দ ফংলবা শক্লাইরবা অইবা বীরমঙ্গলনা, মীশিং লীল্লবা ত্রিপুরাদা ঐখোয় খরনা ইমালোলগীদমক চেঞ্জ-চোংজ রিবা অসিদা সাথৌলূপনা এৱার্দ পীরকপসি য়াম্না নুংঙাই হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা অভিরামনা হায়খি, মতিক চাবা মীওই অমদা অসিগুম্বা নেসনল এৱার্দ অমা পীরকপসি য়াম্না নুংঙাই। লোয়ননা ইম্ফালদা লৈবা লূপ অমগা খুৎশম্নদুনা অসিগুম্বা থৌরম অমা পাঙথোকপা ঙম্বসি ঐখোয়দসু চাউথোকচবা পোকই হায়নসু ফোঙদোকখি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

### নুপীদা চথবা মীওৎ-মীনৈ থিংবা ঙমদ্রে : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

বি জে পি লৈঙাক্লা নুপীদা চথবদা মীওৎ-মীনৈ থিংবা ঙমদ্রে হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ু পিগী হাথ্রাস খুনদা লৈবা চহী ১৯দা ঙাইরিবী দলিট নুপীমচা অমবু মীওই মরিনা গেঙ রেপ তৌরবা মতুং চেন্নবশিং মমিং মথা হায়দোক্তনবা মরৈ ককথৎপদা নত্তনা খুউ তাঙ থুদেক্তুনা হুন্দোক্লম্বগী নুমীৎ খরা ন্যু দিল্লিগী সফদরজঙ হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা ঙরাং সেপ্টেম্বর ২৯ দা লৈখিদবগী থৌদোক অদু ওল মণিপুর নুপী মরুপনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। কুমজা ২০১২ গী দিল্লি গেঙ রেপতগী হেন্না শাথিরবা নুপীবু ওৎ-নৈবীবগী থৌদোক অসিবু চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা হোৎনদনা তোকঙা পাউ ওইনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরুবদগী য়ানিংদবা উৎতুনা দলিট ওর্গনাইজেসন অমসুং তোঙান তোঙানবা নুপী ওর্গনাইজেসন কয়ানা সফদরজঙ হোস্পিটাল মমাঙদা ঙরাং অকনবা খোঙজং চঙশিনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইত্রবা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবসু য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা এস আই টি অমা শেমখিদবসি বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মথক্তা চথবা মীওৎ-মীনৈগী থৌদোকশিংবু হকচিন্না লৌদে হায়বদু শেংনা তাক্লে।

পীক্লবা ষ্টেট অসিদসু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২গী অয়ুক্তা মীওই খরনা নমদুনা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা শিরবনি হায়দুনা হুন্দোক্লম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবগী থৌদোক লৈখ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং মশা-মশানা পুলিসতা সরেন্দর তৌরক্লবসু থা ফারক্কদৌরবা থৌদোক অসিগী মতাংদা হকথেংননা মরাল লৈবা মীওইশিং কনা কনানো হায়বা পুথোকপা ঙমদনা লৈবসি অঙকপা পোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

WANTED

SKILLED LABOUR & HELPER FOR TYRE RETREADING WORKS

| Sl. No | Post | Vacancy | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Skilled Labour | 5 | 5 to 10 years | Monthly ₹.3,000/- & Per Day ₹.300/- |
| 2 | Helper | 2 | 2 years | Negotiable |

Contact:- **M/s SHITOVA TYRE RETREADER & SERVICE**
Authorised Franchisee of **Elgi Rubber Company Limited**
Takyel Industrial Estate B-6 Factory Building
Imphal West- 795001 Mobile No. 9402733209 HL/B/6424/1,2,3,4,5,6,7

**CAR WASH কী মীওই অহুম (৩) পামজৈ**

Highway CAR WASH THOUBAL গী মশাগী চহী ১৮-২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নিশা শীজিন্নদবা মীওই অহুম (৩) খক অথুবগী ওইনা পামজৈ। লৈফম চাফম লোইনা মতিক চাবা খুৎশুমল পীজগনি। থৱায় য়াওবশিংনা লাক্লিবা তাং ০২/১০/২০২০ ফাওবগী মনুংদা মখাগী Contact No. অসিদা পাউ ফাওবীরকউ

HL-B/6413/28 **Contact No. 9862232560/7005646350**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 286/SDC/IW-L/2020**

1. Ningthoujam Biren Singh, S/o. (L) Khunjao Singh of Phayeng Kharang Leikai
2. Ningthoujam Amureima Devi, W/o. (L) Koijam Manihar Singh of -do-
3. Khwairakpam Chandramala Devi, W/o. (L) Ningthoujam Dorendro Singh of -do-

*...Petitioners*

-Vrs-

1. Late Ningthoujam Khunjao Singh, S/o. (L) Dev Singh of Phayeng Kharang Leikai
2. Late -do- Ngangba Singh, S/o. (L) -do- of -do-
3. Late -do- Damu Singh, S/o. (L) -do- of -do-

*...O.P. Parties*

**NOTICE**

29/09/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার (১) নিংথৌজম খুনজাও সিংহ পীতা মৃত দেব সিংহ সাং ফয়েং খরাং লৈকায়, (২) নিংথৌজম ঙাংবা সিংহ পীতা মৃ: দেব সিংহ সাং তথা অমসুং নিংথৌজম দামু সিংহ পীতা মৃ: দেব সিংহ তথা অহুমগী মীংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৫৭-কাংচুপকী অনৌবা পাট্টা নং ৫৩, দাগ নং ২২গী এরিয়া ০.০৪০০১ চাওবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/7645/01 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, IW:Lamsang**

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL: MANIPUR COLLEGE, IMPHAL**

**ADMISSION NOTICE**

Imphal, the 29th September, 2020

No. 1-Adm/MC/2020: It is hereby notified to all concerned that the 1st selection list in order of merit eligible for admission in B.A./ B.Sc. 1st Semester in Manipur College for the academic session 2020-2021 is available in www.manipurcollege.net.

Counselling Cum Admission Schedule for the selected list of students are furnished as under:

| Stream | Subject combination | Applicants in Selected list | Date of Counselling |
|---|---|---|---|
| SCIENCE | Physics, Chemistry, Mathematics | All Candidates | 06 – 10 - 2020 |
| | Physics, Geography, Mathematics | All Candidates | 06 – 10 - 2020 |
| | (i) Chemistry, Botany, Zoology (ii) Biochemistry, Chemistry, Botany (iii) Biochemistry, Chemistry, Zoology | All Categories | 06 – 10 - 2020 |
| | | ST, OBC and SC categories | 07 – 10 - 2020 |
| ARTS | Any three of the following subjects: English, Manipuri, Political Science, Education, Economics, Geography, History, Mathematics, Philosophy | All Categories | 07 – 10 - 2020 |
| | | ST Categories | 08 – 10 - 2020 |
| | | OBC and SC Categories | 09 – 10 - 2020 |

- Admission for candidates found absent in counselling will not be considered and the vacancies so arise will be filled up by applicants in the subsequent list.
- Candidates must download the admission form from www.manipurcollege.net and submit the same duly filled in to the college along with documents in the information bulletin.
- The above selection list is based on the information submitted by candidates during online registration is subject to verification on the day of counselling with original mark sheet of Class – XII and equivalent.

Sd/-
**Dr. W. SHAMBHUNATH SINGH**
Principal

HL/P/7643/01

**APOLLO ACADEMY**

*Moulding Medical & Engineering Career*

**ADMISSION OPEN**

**REGULAR MEDICAL COURSE**
FOR
**NEET(UG) ASPIRANTS - 2021**

* 20 STUDENTS PER CLASS (ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS)
* FREE STUDENTSHIP FOR MERITORIOUS STUDENTS (LIMITED SEATS)

*Forms available @* **Apollo Office.**

FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6389/ 19 Sept. to 3rd Oct.

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ADMISSION NOTICE /22
Dated, the 30th September, 2020

No. MU/3-60/YD/Aca/16: In continuation of this Admission Notice No.15 dated 8th September 2020, the last date of submission of online application form for admission into one year Post Graduate Diploma in Yoga Science, Post Graduate Diploma in Computer Application, Diploma in Information Technology, B.A. (Dance & Music), B.A.(Hons) Korean Language and One Year Post Graduate in Banking and Finance for the academic session 2020-21 has been extended upto 5 p.m. of 25th October, 2020.

Sd/- **S. Buddhabati Devi**
Assistant Registrar (Aca)

HL/B/6427/01

**ONLINE DRAFTING & EDITING**

* NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.
6. Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.
7. Translation from Manipuri into English.

** The above services are provided in English only through online.

For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)

**SARASWATI INSTITUTE OF MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES**

*Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East*
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com

100% Job placement **ADMISSION NOTICE** Estd. since 2016



B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)
Last date of Form Submission 10th September 2020




HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)